HUEIYEN LANPAO
Refreshingly Reliable
হুয়েন লানপাউ
The messenger of the masses








ষ্টেন্দর্দ রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় বেবিসনা মীশিগী অচুম্বা লংলা-লংজিল লৈঙাক্লা পুথোক্তুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা খোঙজং চঙশিনখিবা

Vol. 43, Issue No.140 | নোংমাইজিং, থৱানগী ১৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, August 18, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

# দিমোনেটাইজেসন মনুংদা মরম চাদনা বেঙ্কতা শেল থমজিল্লকখিবশিংগী খোঙ্গুল লীনবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি): ব্লেক মনি ফাগৎনবগী পান্দমদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা দিমোনেটাইজেসন মনুংদা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা মরম চাদনা বেঙ্কতা শেল য়াম্না থমজিল্লকখিবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীনবা টেক্স কম্মিস্নরশিংদা খঙহনখ্রে।

ইনকম টেক্সকী প্রিন্সিপাল চীফ কম্মিস্নরশিং অমদি প্রন্সিপাল দিরেক্টর জেনরেলশিংদা সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ট টেক্সেস (সী বি দি টি)না পীখিবা য়াথং মতুং ইন্না দিমোনেটাইজেসনগী মতমদা মরম চাদনা শেল থমজিল্লকখিবা মীওইশিংগী লিষ্ট অমা পীখৎলকদবনি হায়রি।

পোইন্ট ১৭ য়াওবা সী বি দি টিগী য়াথং অদুগী মতুং ইন্না অরানবা মওংদা ব্লেক মনি থমজিল্লম্বা মীওইশিং ফাগৎনবা থৌরাং লৌখৎলগনি। মরু ওইনা কুমজা ২০১৬ কী নবেম্বর ৯ অমসুং চহী অদুমক্কী দিসেম্বর ৩১গী মনুংদা শেল থমজিল্লকখিবা মীওইশিংগী মরমদা কুপ্না থিগৎলগা ব্লেক মনি ফাগৎনবা থৌরাং লৌখৎক্কদৌরি।

সী বি দি টিনা টেক্স কম্মিস্নরশিংদা চেক তৌনবা খঙহনখিবশিংগী মনুংদা টেক্স পেয়রশিংগী রিটর্ন ফাইলিং কমপ্লাইয়ন্স, কুমজা ২০১৬-১৭তা ওইখিবা



টেক্স পেয়রশিংগী অপুনবা ইনকম, গ্রোস টোটেল ইনকম অমসুং বেঙ্কতা থমজিনখিবা শেলফমগী চাং অসিনচিংবা য়াওরি।

দিমোনেটাইজেসন মতুংদা ক্বাটরলি ভেল্যুএদেদ টেক্স রিটর্ন রিভাইস তৌখিব্রা অমসুং শেল লৈন-লৈনা বেঙ্কতগী শেল লৌথোকখিব্রা নৎত্রগা থমজিনখিব্রা হায়বনচিংবা কুপ্না য়েংশিনবগা লোয়ননা অরানবা থৌওং চথুরম্বশিং ফাগৎনবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি। মখা লামায় ৩ কলম ২

স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মখাদা স্কুল ৬০ শেমগৎনবা উরেপ-উয়ুং তমখ্রে

# সী এম : অহানবা ফেজগী ক্রোর ৮১ কায়থোক্লগনি, স্কুলশিংদা বাইওমেট্রিক হাপ্নবা মীৎয়েং চঙলগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস):

স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মখাদা অহানবা ফেজগী ওইনা লৈঙাক্কী স্কুল ৬০ দা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পায়খৎনবা লুপা ক্রোর ৮১ কায়থোক্লগনি। স্কুলশিংদা বাইওমেট্রিক সিষ্টেম হাপ্নবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি স্কুল ৬০ গী উরেপ-উয়ুং তম্বগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসন (স্কুল) মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিএটকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মখাদা স্কুল ৬০ শেমগৎনবা উরেপ-উয়ুং তম্বগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, তুংগী অফবা মীরোল পুথোক্লবগী মরুওইবা ফাউন্দেসনদি এদ্যুকেসননি। এদ্যুকেসনগী ফীভম ফগৎহন্দবা য়াদে। লৈঙাক্কী স্কুলশিং নীংথিনা শেমগৎনবগী মীৎয়েংগা লোয়ননা স্কুল ফগৎহনসি মিসন অসি





হৌদোরকপনি। অহানবা ফেজগী ওইনা হায় স্কুল ২৯ অমদি হায়র সেকেন্দরি ৩১ দা মিসন অসিগী মখাদা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পায়খৎলগনি। মসিগীদমক লুপা ক্রোর ৮১ কায়থোক্লগনি। স্কুলশিং শেমগৎপগী থবক অসি কম্মিটি অমগী মখাদা পায়খৎকনি। কম্মিটি অসিদা লৈকায়গী মীওইশিং, এম এল এনচিংবসু য়াওগনি। কম্মিটি শেল্লগা স্কুলশিং শেমগৎকদৌরিবসি ক্বালিটি লৈহন্নবগী পান্দমদনি। স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মখাদা অহানবা ফেজদা শেমগৎকদৌরিবা স্কুল ৬০ গী ওইনা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক পায়খৎনবা অপূনবা শেনফমগী চাদা ২৫ অথুবদা থাদোক্লগনি। থা ৩ গী মনুংদা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক লোইশিন্নবা পান্দম থম্লি। মথংগী সেসন নংনবা থবক লোইশিনগদবনি।

অহানবা ফেজগী ওইনা স্কুল ৬০ শেমগৎখ্রবা মতুংদা লেমহৌরিবা স্কুলশিং অসিসু মথং-মথং শেমগৎলক্কনি। স্কুল ২০০০ হেন্না লৈহৌরিবা অসি শেমগৎনবগীদমক শেন্থং লৌথনবা থৌরাং পায়খৎলগনি। স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মখাদা শেমগৎকদৌরিবা স্কুলশিং অসিদা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী তোঙান তোঙানবা টোইলেট লৈগনি। স্কুল অমা ওইবগী তঙাইফদবা মচাক-মথুমশিং হাপচিনগনি হায়রি।

প্রাইভেট স্কুলশিংদা মচা-মশু লাইরিক তমহন্নবা হোৎনবদা শেন্থোক ৱাৎপা ইমুং-মনুং কয়াদি অৱাবা ওইরে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মচা-মশুশিং ফহন্নিংবনিনা শেল লৈবা লৈতবা থিদনা প্রাইভেট স্কুলদা থানবা হোৎনবগী ফীভম অমা লাক্লি। প্রাইভেট স্কুলদা অঙাংশিং তহনবগী মরু ওইবা মরমশিংগী মনুংদা লৈঙাক্কী স্কুলদদা প্রি-প্রাইমারী লৈতবা অসিসু অমনি। অঙাংশিং প্রি-প্রাইমারী তমহন্নবা প্রাইভেট স্কুলদা থানৈ। প্রি-প্রাইমারীদা তম্বা হৌখ্রবনিনা অদুম মখা তানা তমথবগী ফীভমসু য়াওরিবনি। লৈঙাক্কী স্কুলদসু প্রি-প্রাইমারী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# সুপ্রীম কোর্টতা এস এল পি ২ পেন্দিং লৈরিবনা মিনিষ্টর শ্যামকুমারগী পাউখুম ট্রাইব্যুনেলদা পীখৎলকপা চুম্লোই হায়রক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস):

বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিদা মিনিষ্টর ওইবা য়াওরিবা থৌনাওজম শ্যামকুমারবু কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাইদ তৌবীয়ু হায়দুনা স্পিকরগী ট্রাইব্যুনেলদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনশিংগী মতুংইন্না ট্রাইব্যুনেল অসিনা ওগষ্ট ১৭ ফাওবগী মনুংদা মশাগী পাউখুম (এফিদেবিট) পীখৎলক্কবা খঙহনখিবদু হৌজিক কেস অসিগা মরী লৈনবা এস এল পি অনী সুপ্রীম কোর্টতা পেন্দিং লৈরিবনা পাউখুম পীরকপা চুম্লোই হায়দুনা পীখৎলকখিদ্রে।

অন্দ্রো এ সীদগী কারককখিবা টি ঐচ শ্যামকুমার য়াওনা কোংগ্রেস পার্টিগী টিকেটতা মায় পাক্লক্লগা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিদা য়াওশিনখ্রবা এম এল এ ৮ গী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবা দিসক্বালিফিকেসন কেস পুম্নমক মমাঙ থাগী ২৭ তা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকরগী ট্রাইব্যুনেলদা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুবু এম এল এ ৮ অসিগী মনুংদা মিনিষ্টর ওইরিবা টি ঐচ শ্যামকুমারনা মহাক্কী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনশিং অদু মেন্টেনেবল ওইদে হায়বগা লোয়ননা স্পিকরগী ট্রাইব্যুনেলনা লৌখৎতুনা খন্নফম থোক্তে হায়দুনা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখিবনি। অদুবু ট্রাইব্যুনেল অসিনা কেস অদুগী হিয়রিং পাঙথোক্লগা নুমীৎ অদুমক্তদা জজমেন্ট লাউথোক্লদুনা পিটিসনর শ্যামকুমারগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনশিং অদুগী পাউখুম ঙসি ওগষ্ট ১৭ ফাওবদা পীরক্কবা খঙহনখিবনি।

অদুম ওইনমক মহাকপু এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাইদ তৌগদবনি হায়বগা লোয়ননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা রুলিং শীংনরদুনা কোংগ্রেস এম এল এ ফজুর রহিম অমসুং কৈশাম মেঘচন্দ্রনা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌখিবা স্পেসল লীভ পিটিসন (সিভিল) নম্বর-১৮৭৬৩ ওফ ২০১৯ অমসুং ১৮৬৫৯ ওফ ২০১৯ অনীমক হৌজিক লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ অসিদা পন্দুনা লৈরিবনা পিটিসন অনী অসিগী মতাংদা কোর্ট অসিনা অরোইবা ৱায়েল অমা পীদ্রিবা ফাওবদি মহাক্কী পাউখুম স্পিকরগী ট্রাইব্যুনেলদা পীখৎলকপদা অচুম্বা খোঙথাং ওইরোই হায়বগী চেরোল অমা ঙসি পীশিল্লকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী পাউখুম পীখৎলকখিদবনি হায়রি।

## রেখা মীহাৎতা চেন্নবশিং পুথোক্লবা হোৎনবদা জে এ সীনা মীয়ামগী মতেং নিরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস):

শীংজমৈ মথক থোকচোম লৈকাইদগী নাওরেম ওংবী থোকচোম নিংঙোল রেখা (মেমচা), ৬৬পু মশাগী ইমুং মক্তদা মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীরম্বা থৌদোক্তা চেন্নবশিং পুথোক্লবা হোৎনবদা জে এ সীনা মীয়াম অমসুং সী এস ওশিংগী মতেং নিরক্লি।

থৌদোক অদুগী মায়োক্তা শেমখিবা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## বেবিসনা মীশি : পাক্তক্লনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে, মহৈরোয়শিংগী ৱাকৎ খোঙচৎ পুলিসনা তানখায়খ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস):

ষ্টেন্দর্দ রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী বোর্দিংদা লৈবী মহৈরোয় নিংথৌজম বেবিসনা মীশিগী মতাংদা অশেংবা লংলা-লংজিল পুথোকউ, মরাল লৈবশিং চৈরাক পীয়ু হায়বা দিমান্দদা ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাক্তক্লনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। মহৈরোয়শিংনা ৱাকৎ খোঙচৎ লাকপদা পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল কাপ্তুনা তানখায়বদা অমা শোক্লে।

ইম্ফাল কোলেজগী মহৈরোয়শিংনা বেবিসনা মীশিগী ময়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অমদি অথুবা মতমদা মীশি অসিগী মতাংদা অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোক্তুনা মরাল লৈবা মীওইশিং চৈরাক পীয়ু হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউরগা ৱাকৎ খোঙচৎ লাকপদা পুলিসনা ক্বাকৈথেল বজারদা থৎখি। মহৈরোয়শিং অদুনা মখা তানা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎননবা হোৎনরকপদা পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল অমদি মোক বোম কাপ্তুনা তানখায়খি। থৌদোক অদুদা মহৈরোয় নুপীমচা অমা অশোক-অপন নংখি। শোক্লবা মহৈরোয় অদু রিমস হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি।

বেবিসনা মীশিগী ময়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পাক্তক্লনা ৱাকৎ মীফম চথুবীনবা আপিল তৌখ্রবা মতুংদা ঙসি অয়ূক পুং ১০ রোম তাবদগী মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফমশিং চথুখি। বেবিসনা মীশি য়ানিংদে, বেবিসনা মীশিগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# হিরোইন ব্রাউন সুগর ফেক্টরি থুগায়দুনা ব্রাউন সুগর কেজি ১৮৪.৬৪ ফাগৎলে : পুলিস



ককচীং, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস):

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী অপূনবা কাঙবু অমনা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা মোইজিং অৱাং লৈকাই, কম্ম্যুনিটি হোল মনাক্তা হিরোইন ব্রাউন সুগর শুংফম (ফেক্টরি) অমা থুগায়বা ঙমখ্রে। ফেক্টরি অদুদগী হিরোইন ব্রাউন সুগর কিলোগ্রাম ১৮৪.৬৪৪ অমসুং ব্রাউন সুগর শুংবদা শীজিন্নবা মচাক-মথুমশিং লোয়ননা ফেক্টরিগী মপু অদুসু ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফাগৎলবা হেরোইন ব্রাউন সুগর অসি চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ১৬৬.৬ রোমগী ওইগনি হায়রি।

এস পি থৌবালগী ওফিস কমপ্লেক্সতা ঙসি পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ডা. এস ইবোমচা (এম পি এস), এস পি থৌবালনা হায়, ফাগৎলবা হিরোইন ব্রাউন সুগর ফেক্টরিগী মপু অদুগী মমিং মোইজিংময়ুম এম দি মুহমেদ (৪১) অপোকপা এম দি অব্দুল রশিদ এলিয়স মণি (৭০) মোইজিং অৱাং লৈকাই, কম্ম্যুনিটি হোল মনাক্তগীনি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুদি প্লাষ্টিক খাউ ৪দা য়াওরম্বা হিরোইন ব্রাউন সুগর ওইগনি থাজবা পাউদর কিলোগ্রাম ১৮৩.৯৯ অমসুং অমুবা পোলিথিন খাউ অমদা য়াওরম্বা হিরোইন ব্রাউন সুগর পাউদর ওইগনি থাজবা গ্রাম ৫৮০, প্লাষ্টিক খাউ অমদা য়াওরম্বা গ্রাম ৭৪.৯, ষ্টার ব্রান্দ লাইম থাবা কেমিকেল কিলোগ্রাম ৩৫.৩, হিমেদিয়া হায়না থাবা কেমিকেল প্লাষ্টিক বোট্টল ৩, এমোনিয়ম ক্লোরাইদ কেজি ১, উনা শাবা প্রেসিং বোর্দ মেছিন ১, ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# হকচাংগী ফীভমদা মীমান্নদ্রবসু হিংনবগী লানফমদা হোৎনবদি লেপ্পা লৈতে : মোইরাংথেম কেশ্বরজিৎ




**গ্যানন্দ নাওরেম**

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচ এন এস):

হকচাংগী ফীভমদা মীমান্নদ্রবসু হিংনবা হোৎনবদি লেপ্পা য়াদে, লৈঙাক্লসু মহাক্কুম্বা হকচাংগী ফীভমদা মীমান্নদ্রবশিংদা লোনগী শেন্থংগুম্বা পীহন্নীংই হায়না স্পাইনেল কোর্দ শোকপদগী হকচাং চাদা ৯০ পঙথরবা, ফমুং অমদি হ্বিলচ্যেরদগী হেন্দোক্ত্রবা মোইরাংথেম কেশ্বরজিৎ (৪০)না ফোঙদোরক্লি।

কেশ্বরজিৎ ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ককচীং ফৌশুপাৎ লৈকাই, য়াম্বেম ফর্নিচর হাউস পরেংদা লৈবা মোইরাংথেম মোমোন অমদি মোইরাংথেম ওংবী মনিহলগী মচানুপা অহল ওইনা তাইবংদা খোঙদারকখি। মহাক্কী মচননুপী অমগা মনাওনুপা অমগা লৈ। কেশ্বরজিৎ নুপী থিদুনা ক্লাস সভেন তল্লিবী মচানুপী অমা লৈরে। মহাক্কী লোয়নবীগী মমিংনা রশিরৈ কৌই।

পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবা অমদা মোইরাংথেম কেশ্বরজিৎনা হৌখ্রবা পূন্সি ৱারী নীংশিংলদুনা মমীৎতগী পিরাং শীন্থরদুনা হায়, লাইবক থীরবা থৌদোক্তো ঙসিসু নীংশিংলি। কুমজা ১৯৯৫গী দিসেম্বর থাগী অরোইবা চয়োলদনি। থোকখিবা থৌদোক অদুনা য়াম্না শাথীনা শোকহনবীখি। ইম্ফালগী দোক্টর কয়া অমদি গুৱাহাটিগী অফ-অফবা হোস্পিটাল কয়াদা চৎ-চৎতুনা য়েংলুখি। অদুবু ফগৎলকপা কৌবদি লৈখিদে। তুংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

‘অথুবদা ৱারোইশিন পুরক্কবা য়াই’

কোহিমা, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সি):

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) গী মরক্তা ৱারী শানরিবা নাগা পোলিটিকেলগী ওইবা ৱাফমশিংগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা অথুবা মতম অমদা হেক্তা পুরক্কবা য়াই হায়না পিছ টোককী হান্না ইন্টরলোক্যুটর ওইরম্বা নাগালেন্দগী গভর্ণর আর এন রবিনা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

**HL Poll**

Q: School fagathansi mission paikhatlakpana leingakki school singdagi afaba maheiroising mashing yamna puthorakkani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: India gi Team da Manipuri mashing yamna yaohallabadi malemgi thakta India na medal yamna louba ngamgani khanbra?

Yes 83% No 17%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

**Important Phone Nos.**

| | | |
|---|---|---|
| RIMS | - | 2414478 |
| J.N. Hospital | - | 2450385 |
| DG Control | - | 2450100 |
| **FIRE SERVICE** | | |
| Imphal | - | 101 |
| Moirang | - | 8415925197 |
| Churachandpur | - | 8415925191 |
| Thoubal | - | 8415925203 |
| Kakching | - | 8415925194 |
| Jiribam | - | 8415925193 |
| Mayang Imphal | - | 8415925196 |
| Bishnupur | - | 8415925190 |
| Moreh | - | 8415925198 |
| Kangpokpi | - | 8415925195 |
| Ukhrul | - | 8415925205 |
| Senapati | - | 8415925199 |
| Chandel | - | 8415925192 |
| Singhat | - | 8415925201 |
| Sugnu | - | 8415925202 |
| Yairipok | - | 8415925206 |

**Today's Flights Timing (Non Stop only)**

| | |
|---|---|
| IMPHAL → | AGARTALA |
| IndiGO | 13:25 |
| IMPHAL → | BENGALURU |
| IndiGO | 10:30 |
| IMPHAL → | DELHI |
| IndiGO | 14:30 |
| Air Asia (India) | 14:40 |
| Air India | 15:55 |
| IMPHAL → | GUWAHATI |
| IndiGO | 09:45 |
| Air Asia (India) | 11:30 |
| IndiGO | 12:20 |
| Air India | 12:45 |
| IndiGO | 13:45 |
| IMPHAL → | HYDERABAD |
| IndiGO | 10:00 |
| IMPHAL → | KOLKATA |
| IndiGO | 11:00 |
| Air India | 13:35 |
| IndiGO | 15:30 |

**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ২৯ °C খ্বাইদগী ঈংবা ২১ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৫.৯২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪৭

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 78.936049 |
| US Dollar | 71.160958 |
| British Pound | 86.450886 |
| Australian Dollar | 48.251648 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.107125 |
| Japanese Yen | 0.669064 |
| Malaysian Ringgit | 17.031874 |
| Australian Dollar | 48.251648 |
| Singapore Dollar | 51.402466 |
| South Korean Won | 0.058941 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.976255 |
| Thai Baht | 2.301591 |
| Myanmar Kyat | 0.04691 |
| Bangladesh Taka | 0.84286 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 38577.54 |
| Mumbai | – | Rs | 39358.29 |
| Delhi | – | Rs | 39411.76 |
| Kolkata | – | Rs | 39572.19 |

**অস! লোইরেহে!**

-উম... মী অতৈনা হায়বা ওইরদি নহাক্কীদু য়াম তানিংগদৌবনি..!



- পুপু, মৈ মাঙনবনি মুখৎলো !



HL-P/3731/18,19&20



HL-B/3573/6/8-6/9